ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯌꯨꯝꯁꯀꯩꯁꯥ, ꯑꯣꯛꯇꯣꯕꯔ ꯱꯶, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕꯥ ꯆꯍꯤ, ꯱꯹꯷ꯁꯨꯕꯥ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
য়ূমশকৈশা, ওক্টোবর ১৬, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ১৯৭শুবা মশীং

# নাগালেন্দগী গভর্ণরনা লৌখৎলক্লিবা থৌরাং

## পিছ টোক্কী ৱারোইশিন তাইওন্নবা মায়কৈ অমদা চৎখ্রবরা

নাগা পিছ টোককী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদবগী মতাংদা নাগালেন্দগী গভর্ণরসু ওইরিবা ইন্টরলোক্যুটর আর এন রবিনা ইরাই নুমীৎতা মণিপুরগী য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিল (য়ু এন সী) য়াওনা নাগা ট্রাইব ১৪গী মীহুৎশিং অমসুং রিজনেল চর্চ লীদরশিংগা উনগদৌরি। নাগাশিংগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্নবা থৌরাং লৌখৎপদা খুমাঙ চাওশিনবা ঙমদ্রে হায়বা ৱাকৎ কয়া লাকখ্রবা মতুংদা আর এন রবিনা অৱাং নোংপোক লমদমদা খুন্দারিবা নাগা ট্রাইব ১৪গী মীহুৎশিং অমসুং চর্চকী লুচিংবশিংগা উননবা থৌরাং লৌখৎলকপনি। পিছ টোককী ইন্টরলোক্যুটরসু ওইরিবা আর এন রবিনা ওক্টোবর ১০দা নেসনল সোসলিষ্ট কাউন্সিল ওফ নাগালিম-আইসাক মুইভা (এন এস সী এন-আই এম)গী লুচিংবা থুইঙালেং মুইভাগা উনদুনা ৱারী শানবা লৈখ্রবনি। অদুবু ৱারী শানরিবা নাকল অনীগী মরক্তা হৌজিক মোৎ মান্নরক্তবগী মওং অমা উবা ফংলি। অহানবদা ফোঙদোক্লমদবা তারবসু হৌজিক্তি এন এস সী এন-আই এমনা সেন্টরবু হুন্দুনা ঙাঙবা হৌরক্লে। লূপ অসিনা ফোঙদোরক্লিবা ৱাফমদি নাগাশিংগী তোখায়বা ফ্লেগ অমসুং কন্সটিট্যুসন লৈহনবগী ৱাফম য়াওনা মমাঙদা য়ানখিবা ৱাফমশিং সেন্টরনা থৌশাদ্রে হায়বসিনি। হীরম অসিগী মতাংদা নাগাশিংগী লূপ কয়ানসু সেন্টরগী থৌওংদা পেন্দবগী ৱাফম ফোঙদোক্নরক্লি। প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা হন্দক্তা থা ৩গী মনুংদা নাগা মীয়ামগী অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্নগনি হায়না ফোঙদোকখিবগী মতাংদা নাগা ট্রাইবশিংগী অপূনবা লূপ অমা ওইরিবা নাগা হোহোনা হায়খি মদুদি নাগাশিংগী তোখায়বা ফ্লেগ অমসুং কন্সটিট্যুসন লৈহনবগা লোয়ননা নাগা তাবা মফম পুন্নমক এদমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিট অমগী মখাদা পূনশিনগদবনি হায়বা দিমান্দ য়াওনা নাকল অনীগী মরক্তা য়ানগদবা ৱাফম কয়ামরুম লৈরিবা মরম্না থা অহুমগী মনুংদা অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্কনি হায়রিবসি ওইথোকপা য়ারোই। অমরোমদা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিদা থাখিবা চেরোল অমদা এন এস সী এন-আই এমনা হায়খি, কুমজা ২০১৫গী ওগষ্ট ৩দা ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট খূৎয়েক পীনখ্রবা মতুংদা নাকল অনীনা হৌজিক ফাওবা ৱারোইশিন পুরকপা ঙমদ্রিবসি নীংবা কায়নিংঙাইনি। শাংলবা চহী ২২ ৱারী শানদুনা লাকখ্রবা মতুংদা নাগা মীয়ামগী অপান্বা ফংহল্লোইদবা লৈরবদি য়ানচেদা খূৎয়েক পীবগী ৱাফম লৈরোই। সেন্টরদা মথং-মথং পাল্লকখিবা লৈঙাক্না অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবগী মহুৎতা মতম মাঙহন্দুনা লৈরে হায়নসু লূপ অসিনা ফোঙদোকখি।

চৈরকসিদা ৱর্কিং কন্মিটি ওফ নাগা নেসনল পোলিটিকেল গ্রুপস (এন এন পি জি)গী কো-কনভিনর ইসাক সুমিনা "নাগালেন্দ পোষ্ট"তা পীবা ইন্টরভিয়ু অমদা হায়খি, অরোইবা ৱারোইশিন পুরকপগী মতম য়ৌশিল্লক্লবসু "স্যুদো-নেসনেলিষ্ট লেফ্ট এক্সট্রিমিষ্ট ফোর্সেস" খরনা নাগা মীয়াম্বু নোংমৈ চীন্দোল মখাদা রেন্সম ওইনা থল্লগা মুক্নবগী ফীভম মতম শাংদোকহন্নবা হোৎনরে। তুংদা হৌরক্লিবা নাগা মীরোলগী অনীংবা-অপান্বা পূন্নমক নমথদুনা থন্বগী থৌওং অসিনা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবদা খুরৌ থাংহল্লে হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। সেন্টরদা বি জে পিনা লৈঙাক পায়রিঙৈ মতম অসিদগী হেন্না খূদোংচাবা অতোপ্পা মতম অমা অমুক হন্না লাক্লরোই হায়না পল্লদুনা জি পি আর এন/এন এস সী এন (কে)গী অটো কিলোন্সরসু ওইরিবা ইসাক সুমিনা হায়খি, সোভরেন্টি, কন্সটিট্যুসন, ফ্লিাল অমসুং নাগা তাবা মফমশিং পূনশিনবগী ৱাফম থৌশাদবা নৎতে। অদুবু নাকল অনী য়ানবা পুরক্তুনা ফাইনেল সোল্যুসন ফংলবা মতুংদা কন্সটিট্যুসন, ফ্লিাল অমদি অতৈ অতোপ্পা ৱাফমশিং কোন্না খন্নবদা অকায়বা লৈতে। চহীচা অমা ফাজিল্লক্লবা ইন্দো-নাগা পোলিটিকেল কনফ্লিক্টকী অরোইবা ৱারোইশিন পুরকপনা হৌজিকমক্কী ওইনা খ্বাইদগী মরু ওইবা থৌরাংনি হায়নসু মহাক্না ফোঙদোকখি। ৱাখল্লোন অসিদা নাগালেন্দ ট্রাইবস কাউন্সিল, সেন্ট্রেল নাগালেন্দ ট্রাইবস কাউন্সিল, নাগালেন্দ গাওন বুরহাস ফেদরেসন, নাগালেন্দ জোইন্ট খৃষ্টিয়ন ফোরম (এন জে সী এফ), "ফোরটিন এবোরিজিন নাগা ট্রাইবস ওফ নাগালেন্দ" অমদি নন-নাগাস ইন্দিজিনস ওফ নাগালেন্দনচিংবা তোঙান-তোঙানবা লূপ কয়ানা মপূং ফানা শৌগৎলে হায়রি। নাকল অমরোমদা এন এস সী এন-আই এমনা ৱর্কিং কন্মিটি ওফ এন এন পি জিবু ঙাইহাক লৈতনা ফিরেপ হোংবা কাঙবুনি হায়না মরাল শীরি। লূপ অসিনা হন্দক্তা থাদোরকখিবা ৱারোল অমনা হায়খি, নাগা মীয়ামগী মহুৎ শিনবা কাঙবুনি হায়জবা এন এন পি জিনা তোখায়বা কন্সটিট্যুসন অমসুং ফ্লিালগী মতাংদা লৌরক্লিবা ফিরেপ মরম চাদে। তৌবগীবুদি "অল জজীরা"দা হন্দক্তা পীখিবা ইন্টভিয়ু অমদা এন এন পি জিগী লুচিংবা অমা ওইরিবা অলেজো ভেনুনা হায়খিবনি মদুদি তোখায়বা লৈবাক অমা লৈতনা তোখায়বা কন্সটিট্যুসন অমা মতৌ করম্না লৈগদৌরিবনো। নাকল অনীমক্কী ফিরেপ য়েংলবা মতুংদা নাগাগী তোখায়বা কন্সটিট্যুসন অমসুং ফ্লিাল লৈহনবগা লোয়ননা নাগা তাবা মফম পূন্নমক এদমিনিষ্ট্রেটিভ য়ুনিট অমগী মখাদা পূনশিনগদবনি হায়রিবসি এন এস সী এন-আই এম খক্তনা লৌবা ফিরেপ ওইনা উরি। ফীভম অসিদা মতৌ করম্না অরোইবা ৱারোইশিন পুরক্কদৌরিবনো হায়বদু কনামক্তনা খঙবা ঙমদ্রি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৬

১। ঐখোয়গী সনামহী লাইনীংদদি লাইনীংহল ইবুংঙো, নাউরিয়া ফুলোগী মমিং মুৎপা য়াররোইদবা ময়েক্না ইদুনা লৈরে।
(ক) লাইনীংহল অসি শোক কয়াদা পোকখিবগে?
(খ) লাইনীংহল অসিনা পোকখিবা খুনদুগী মমিং হায়য়ু।
২। "মৈতৈগী রোমান্টিক কবিশিংগী উবা ঙমদ্রবা নুংশিবগী সংসার অমবু মশক মুন্না খঙখিবা কবিদি লৈতাঙ্খেম রাম সিংহ মতোমতনি।" ৱাফমসি কবি অসিগী উপন্যাস অমদি শৈরেংশিং য়েংলগা ক্রিটিক অমনা হায়রিবনি। রাম সিংহগী উপন্যাস, 'জাৎ ওনবা' শোক কয়াদা ফোঙলকপনো?
৩। 'ঙাইখো মমা ঐ লোইনা খঙই, তুংদা থোক্লগদবা পূন্নমক খঙই, নঙনা খল্লিবদুসু।" ৱাফম অসিনা 'চেকখায়রবা জেলগী চেকপল' কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো?
৪। "নুপীদি/থেন্দুনা থম্বা পোৎশক নত্তে/...পূক্নিং তপ্পদা ঈশিংনি/অচাকপা মৈরীবু মুৎলিবা।" পরেংশিং অসিনা অঙোম সরিতাগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।
৫। "করম্বা য়ুগকী কাউখ্রবা অহিংদা/মঙখিবা মঙগী মমিনো/ওৎলরি ঐবু তত্তনা মানা।" পরেংশিংসিনা মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম ওক্টোবর ৩০, য়ুমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৫গী পাউখুম ৫ চুম্না থাবীরকখিবশিংদি

| | |
|---|---|
| ১) ক্ষেত্রিময়ূম দয়ানন্দ, টৌপ মখা লৈকায় | (৫) |
| ২) বেবী চুংখাম, থোংজু | (৫) |
| ৩) বোচা সগোলশেম, লংথবাল | (৫) |
| ৪) ক্ষেত্রিময়ূম লেমীনা, টৌপ মখা লৈকায়, পোরোম্পাৎ, ইম্ফাল ইষ্ট | (৫) |
| ৫) শগোলশেম মালেমখোম্বা, লংথবাল কুঞ্জ | (৫) |
| ৬) শগোলশেম লল্লেবী চনু, লংথবাল কুঞ্জ ময়ায় লৈকায় | (৫) |
| ৭) চুংখাম রেবতি, থোংজু বোরোইমখোং | (৫) |
| ৮) তোংব্রম সুনিতা, লুৱাংশংবম অৱাং লৈকায় | (৫) |
| ***৯) কে মেমী, ময়াং ইম্ফাল বজার*** | ***(৫)*** |
| ১০) চিরোম সুরজিৎ, ময়াং ইম্ফাল বজার | (৫) |
| ১১) আনন্দকুমার খুঞ্জামযুম, তাওথোং অয়ুংবা, লমশাং | (৫) |

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১০৫গী ৱিন্নর

***কে মেমী, ময়াং ইম্ফাল বজার (ড্রোদা ৱিন্নর ওইখ্রবী)***

লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ১০৫গী মনা লাম্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম ওক্টোবর ২০, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লাম্থোকচগনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১০৫গী পাউখুম

১। মণিপুরগী পুৱারীদা জননেতা ইরাবতকী মফম চাউনা লৈরি। সেপ্টেম্বর থানা লাকপদা লৈবাক হুপ্পা মাবু নীংশিংনরি।
(ক) জননেতানা সিলেটতা তম্লম্বা স্কুল অদুগী মমিং হায়য়ু। ***:- পোগোজ হায় স্কুল।***
(খ) জননেতানা অরোইবা য়াহিপ তানখিবা মফম অদুগী মমিং হায়য়ু। ***:-তাউংবো।***
২। "শেলবু পায়রবদি অতাঙবা লৈতে, ফংদবা লৈতে। কলিদদি শেল পায়বনা রাজানি।" ৱাফমসি 'মমাঙথোঙ লোল্লবদি মনীংথোঙদা লাকউদনা' কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদুগী মমিং হায়য়ু। ***:- এলাংবম সোনামনি।***
৩। ক্ষেত্রি বীরগী নোবেল অমদা গোপাল কৌবা অমগী নুপী টিমগী থৱায়না কাছাড়দা মপোক অমদা পোক্তুনা লৈরম্বা থেংনৈ। নোবেল অদুগী মমিং হায়য়ু।***:- লোৎলুবা চিঠি।***
৪। আর কে সনাহনবীগী ৱারীমচা অমদা কলাবু নুংশিজরুবী কনাগুম্বী অমবু কলাকার অদুনা মমায় কনশিল্লক্তুনা লৈফম খঙলক্তবা মতাং অমা উৎপা থেংনৈ। ৱারীমচা অদুগী মমিং হায়য়ু। ***:- 'তস কমদৌই'।***
৫। "নঙগী নাপলগী থৌরবা তিঙ্খংনা/কনথৎলম্লবা ঐগী থমোয়দা/করিগী শোক্লরি অমুক নৌনা/হূ তৈরবা নঙগী নখূৎনা।" পরেংশিং অসি মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবা অদু কনানো? ***:- থাংজম কোরা।***

# মৈনম নম্লবা মণিপুর

চাইথোরকপা ৱাখল

**নরেন্দ্র নিঙোম্বা**

মৈনম অমদি মীহিং মনম নম্মবা মণিপুরদা হৌজিক কন্না ঙাঙনরিবা ইস্যু অসি অনীনি। ইস্যু অনী অসি য়াম্না শাথিবা ওইরক্নি। মসি তুংগী পুন্সিরোল হায়বা অমা হায়নরিবসি পুন্মাং মাঙখবা য়াবগী অকিবা চপ চানা লৈরে। সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল হায়বা অমা অমদি ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্ট হায়বা অমা, অনী অসিনি ফোঙ ফোঙ শাবা হায়বা তারবদি। অম্মমনা তুংলমচৎকী মচেৎ তানা কায়খিবা ঙম্বা ঙাক্তনি।

ফ্রেমৱর্ক এগ্রীমেন্টকী মতাংসি হৌজিক অরোইবা থাক অমদা লৈরে হায়বসিমদি কন্না হায়নরে, মসিদি শোয়দনা চুম্লনি। ঙসিগী ইস্যুসিগী মতাংদা কাঙবু খরনা অমা হায়, খরা অমনা অমা হায় তৌদুনা অশেংবা অমফাওবা কনামক্তদা খঙহন্দনা লাকখিবনি। অদুবু ইফোঙ ফোঙনা করিনোমা অমদি ইহো হোনা উদুনতা লাকই। কৈমক্তা য়াওদে, অহাঙবা চে অমদা সাইন তৌনবনি হায়। ৱারী শানবা হায়বসি মরম খরা পুথোক্নরগা শানগদবনি। কৈমক্তা য়াওদনা করি ৱারী শানদোইনো হায়বসি অপঙবসু অশিংবসু চপ মান্ননা অদুম খঙমিন্নে। অদুবু মখোয়গী ৱারীসিগী মতাংদদি কৈমক্তা য়াওদে, করিসু লৈতে হায়না লৈঙাক অসিনা চাউনা মীয়ামদা মায়খুম উপ্পগা লাক্লি। হৌজিক্তি থা অহুমগী মনুংদা লোইশিল্লগনি হায়রকখ্রে, থা অনীমুক হৌখ্রে। থারিবা মতমসি খজিক্তং ঙাইরে। ৱারীগী থাক অসিসু অদুম কুংশিল্লক্লি হায়বা তাই। নুমিৎ খরনি মমাঙদা আই এমগী লুচিংবা অমদি অতৈ লুচিংবা অনী/অহুম য়াওনা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টকা দেল্লিদা ৱারী তকথক্লখ্রে হায়বা পাউ লৈরে। মসিদা আই এমগী কাঙবুনা পেন্দবা ফোঙদোকপগী ৱাফমসু মিদিয়াদা ফোঙদোকখ্রে। কনানা খঙগনি, অদুমাইনা হায়বগীদি হায়য়ু। তৌবনা অমা থোক্লবা অমা তৌসি হায়নরম্বসু। মরমদি য়ুখল মরুমদা খন্নবা ৱানি কনামক্তা কৈমতা খঙদে। মসিদা খঙলমগদবসি আই এমগী কাঙবু, নাগাগী কাঙবু, গভর্ণমেন্টকী কাঙবু, বি জে পিগী কাঙবু খরা লোইনমক নৎত্রবসু, অদুবু চিন কাঙথোক্নরোইসি হায়না মান্নরম্বসু য়াই। অদুবু ঐখোয়না খঙলুফম থোকপ্রা?

হৌজিক্না অমুক ৱারোইশিন অসি পুরক্নবা হোৎনবদা খ্বাইদগী মরু ওইখ্র-ওইখ্রবা ময়াম, নাগা ওর্গনাইজেসন বোদি, এস ও ওগী ইন্টরলোক্যুটর ওইরিবা ইন্দিয়াগী মীহুৎ য়াওনা নাগালেন্দদা মীফম ফমগনি হায়বগী পাউসু লৈরে। নাগাগী ৱাথোক অসি নত্তনা কুকিগী ৱাফমসু য়াওনা খন্নরগা করিনো অমদি লাউথোক্কদৌরি। টেরিটোরিএল কাউন্সিল, ৬শুবা সেদ্যুলগী ৱাগসু য়াম্না পন্নে। নাগা কাঙবু পেন্নবা পেকেজ ময়াম অমসু য়াওবগী পাউ লৈরি। লোয়নমক অফবা ঙাক্তনি। অদুবু কাঙলুপ ফুরুপকী য়েংলগা ৱারোইশিন পুরক্নবা হোৎনবা হায়বসিদি কৈদৌনুংদা ঈরাং অমদি ঈহৌ শুংলেপ লেপ্লোই। মসিমদি ইন্দিয়া লৈঙাক্না খঙলমগদ্রা খঙলল্লোইদ্রা হায়বা খঙবা ঙমদে। অহিং অমদা করি ওইরক্কদগে হায়বা খঙবা ঙমদে। কাশ্মীরদা তৌখ্রিদুনি। পোলিটিকেল লুচিংবা মখৈ ফারগা জেলদা নমশিন্দুনা থল্লিবসিনি। মসিমক্কী মওং তৌরকপসু য়াই, তৌরক্তবসু য়াই। কনানা হায়বা ঙমগনি। ঙম্বা হায়বু মণিপুর মৈনম নম্মে হায়বা অসিমদি মীয়াম্না খন্নে।

হৌজিক শানরিবা ৱারীসিগী ৱারোইশিনগী মতাংদা য়েৎখায়নবা খরদি লৈরি হায়বসি নাখৈ শেংন্নরক্লি। নাগাগী ফ্লেগ অমদি তোঙানবা কন্সটিট্যুসনগী মতাং অসিমদি ইন্দিয়না য়াফম থোক্তে। কাশ্মীর ফাওবা অহিং অমদা লোইশিনবা ঙম্বা লৈঙাক অসিনা তৌনিংবা তৌবদা থোইদোক্না অরুবা ৱা ওইরোই। ইন্দিয়াগী মনুংদা তোঙানবা ফ্লেগ অমদি কন্সটিট্যুসন থম্বদা হরাওনা ইন্দিয়ানা য়ারক্কনি হায়বসিদি অতৈগীদি খঙদে ঐমক্তি মঙদফাও অমুক্তা মঙদ্রি। মসি নত্তবা লাকপা য়াবা ৱারোইশিনদুনি মীয়াম্না য়াম্না পাখৎনরিবসি। মণিপুর অসি ঙসি হয়েং নৎত্রবসু হংচিৎ মশেমদা মচোয় তাবা য়াবগী ফীভম অমগী য়ুম্ফম থোল্লমগদ্রা হায়বসিনি। নাগাগী য়ুনিক হিষ্টোরি হায়বসি, মণিপুরগী শরুক য়াওরিবনি। মণিপুরগী হিষ্টোরি থিবা মতমদসু নাগানি হায়না হায়রিবা মখোয় অসিগী ৱারীসু অদুম য়াওরি। মতমদুদা নাগা পন্দে, তাঙ্খুল, মাও, অনাল অমদি অতৈ অতৈ হায়না পন্নে। নাগা হায়বসিনা করমকান্দা লাকখিবনো হায়বা খঙহৌদে। নাগা হায়সিদি বৃটিশ লাক্লবা মতুংদা থোনবিবনি হায়বসু তাই, চুম্লম্বা য়াই, লাল্লম্বা য়াই।

হন্দক্তা হোম মিনিষ্টর অমিট সাহনা মিজোরামদা লাকপা মতমদা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিলগী মতাংদা ৱাফম খরা হায়রম্মী। মদুদা ষ্টেট খরগী মমিং পল্লম্মী, মণিপুরদি পল্লমদে। মদুগী নিংদোম কন্না পোম্নবসি ঐখোয় স্বাইদা পোলিটিকেল পার্টি অমা অনীদি মদুগী নিংদোল পোম্লিবদুগী চৈনা ফাওদে। মখোয়দা কৈমক্তা লৈতে, মপুকচেল চাউনা লৈথোক্নরি। মোইনা হায়রিবনা, সঙাই ফেষ্টিবেল হোম মিনিষ্টরনা হৌদোক্কনি, মদুদা ৱা খরা হায়রমগনি হায়না কন্না পান্নরি। অদুদা কৈসু হায়রমদবসু য়াই, নৎত্রগা থেমজিন ৱাহৈ ওইনা খরা হায়রম্মগা চিনগা খুৎকা মান্নদবা থৌওং তৌরকপসু য়াই। কনানা হায়বা ঙমগনি, ঙম্বা হায়বু মণিপুর মৈনম নম্মে সিদনি।

সী এ বি হায়গেরা, এন আর সী হায়গেরা থোন্নিংবা মমিং অমা থোনসনু। ইন্দিয়াগী লৈঙাক্না মসিমদি শোয়দনা বিল ওইনা পাস তৌরনি হায়বা অসিমদি অরোৎপা ওইদ্রে। লৈঙাক অসিগী লুচিংবশিংনা মফম কয়াদা ইফোঙ ফোঙনা হায়দুনা লাক্লবা ৱাফমনি। নোর্থ ইষ্টকী মতাংদা করিগুম্বা ক্লোজ খরা হাপচিনদুনা খুদোংচাদবা থোকহন্দনবা শিনগনি হায়বা ৱাবুদি অদুম পল্লি। মসিদা লৈঙাক অমসিমদি খোগ্রাই কন্না নীক্লি। সী এ বিনা করিসু শোকহন্নিংঙাই লৈতে। মীয়াম্না হেন্না কিশনবনি। কিনিংঙাই লৈতে হায়না লৈঙাক্কী ৱাঙাঙলোইশিংগী মায়কৈদগীদি য়াম্না ফোঙনা মীয়ামদা মিদিয়াগী খুত্থাংদা থল্লি। মদুদগী হেন্দোক্তুনা সী এ বিগী মায়োক্তা লৈরিবা ওর্গনাইজেসনশিং অমদি লুচিংবশিং অসিনা মীয়ামদা অকায়বা অমা পীদুনা ঈহৌ শাগৎনবা হোৎনবনি হায়বগী ৱাফম ফাওবা থম্লক্লি। মদুইসু মথক্তা সী এ বি অসি করিনো হায়বা কৈসু খঙদবা পংঙাঙদা ঙাঙনবনি হায়বা ফাও হায়বা লৈখ্রে।

ওইনিংবা অমা ওইরসনু, লাক্নিংবা অমা লাক্লসসু। মতম মতমগী লৈঙাক পায়রিবশিংনা মখোয় মখোয়গী মতমদা থেংনরিবা ইস্যুশিং অসিনা তুংলমচক্তা কৈসু থোইদোকপা শোক্তনবা কন্না হোৎনবিবা ফৈ। তুংদা লাক্কদবা মীরোলনা ঙসিগী মীরোল অসিবু পাঙদবা, মীতম্বাল ওইনা উহৌগদবা অদুদগী কলহৌবা হায়বসি হৌজিক হিংলিবা অমদি থৌ পুদুনা লৈবাক মীয়াম্বু পুরিবা পূন্নমকশিং অসিগী মাঙদা তাদুনা লৈরবা থৌদাংনি হায়বসিদি চেনবা য়ারোই। নোংমা নোংমগী ৱামৈগুম্না ওমদুনা লৈরিবা মৈরি অসিনা খঙহৌদনা চাক্লকপদা মণিপুরগী ফীভম করি ওইগনি হায়বসি খন্থবা চুম্মী। অসিগুম্বা অসি মমাঙ মমাঙগী পুৱারীনা ঐখোদা পড়া ওইনা তম্বীদুনা লাকখ্রবনি। ফাখ্রবা পড়া কাউথোকপা চুমদে। হৌখিবা পূন্নমকশিং নীংশিংদুনা ঙসি ফীভম চেৎনা শেন্নহৌবা হায়বসিনা য়াইফবা ওইফম থোকই। ●

# কেমিষ্ট্রিগী নোবেল প্রাইজ ২০১৯

## (লিথিয়ম-আইওন বেট্টরিবু মপূং ফানা শেমগৎলকখিবগীদমক)



অকিরা য়োশিনো (ওই), জোন গুদেনাউ (ময়ায়) অমসুং ষ্টানলি ৱিটিংহাম




ৱিতিংহামগী লিথিয়ম-আইওন বেট্টরি

সাইন্সকী খোঙচৎ

**কুঞ্জো নাওরেম**

এনর্জিনা থবক খুদিংমক তৌহনবা ঙম্মী। অদুনা এনর্জিগী হৌরকফম অমা ওইনা লিথিয়ম-আইওন বেট্টরি হায়বসি শিংথানীংঙাই ওই। মোবাইল ফোন অমসুং লেপ টোপ্পুগী হৌরগা ইলেক্ট্রিক্কী গাড়ী অমসুং সেটিলাইটশিং ফাওবদা লিথিয়ম-আইওন বেট্টরি শীজিন্নরি। অসুক য়াম্না কান্নখ্রবা বেট্টরি মখলসি মপূং ফানা শেমগৎলকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা কেমিষ্ট অহুম - জোন বি গুদেনাউ, এম ষ্টানলি ৱিটিংহাম অমসুং অকিরা য়োশিনোদা হন্দক চহীগী কেমিষ্ট্রিগী নোবেল প্রাইজ পীরগনি হায়না লাউথোকখিবসিমক রোয়ল স্বিদিশ একাদেমি ওফ সাইন্সেসকী চাউথোকচনীংঙাইনি।

ফোসিল ফ্যুল হায়রগা খঙনবা পেট্রোল, দিজলনচিংবা পেট্রোলিয়মগী পোথোকশিংসি গাড়ী অমদি ইন্দষ্ট্রিদা পাক-শন্না শীজিন্নরকপদগী মীওইবগী খুন্নাইদা কান্নবা কয়া পীরকখি। অদুবু নাকল অমরোমদদি মসিনা নুংশিৎ মোৎহল্লকখি। মসিগীসু মথক্তা পেট্রোলিয়মসি হৌজিক শীজিন্নরিবা চাংসিদা অসুম শীজিন্নরগদি চহী চামুক্কী তুংদদি লোইখ্রগনি হায়না পানরিবনি। অদুনা লিথিয়ম-আইওন বেট্টরিগুম্বা এনর্জিগী হৌরকফম পুথোকপা হায়বসি য়াম্নমক মরুওইরকখি।

ষ্টানলি ৱিটিংহাম্না কুমজা ১৯৭২দা 'ইক্সোন' দা লাক্তুনা মতিক ময়াই লৈরবা বেট্টরি পুথোক্নবগী থবক পায়খৎপা হৌরকখি। পোটাসিয়ম আইওন্না টান্টালম দাইসলফাইদকী কন্দক্টিভিটিদা অচৌবা অহোংবা থোকহল্লি অদুগা মসিগী এনর্জি দেন্সিটি য়াম্না ৱাংই হায়বসি মহাক্না থেংনরকখি। মহাক্না মসিগী ভোলটেজ ওনবা মতমদা ভোল্ট কয়ামুক ফংবা ঙমখি। মতমদুদা লৈরম্বা বেট্টরিশিং শাবদা শীজিন্নরম্বা পোৎশিংদগী মসিনা হেন্না ফবগী মগুন চেল্লম্মী। অদুনা মহাক্না বেট্টরিশিংনা চল্লাইবা গাড়ীশিংগী মঙ মঙবা হৌরকখি। মসিমক ওইদুনসু, টান্টালম হায়বা ধাতুসিদি লূম্বনিনা, টাইটানিয়ম হায়না খঙনবা মগুন্দদি মান্নবা অদুবু লূম্বগী চাংদি য়াম্না হন্থবা ধাতুসি শীজিন্ননবগী থৌরাং য়াৎলকখি।

চৈরকসিদা লিথিয়ম হায়না খঙনবা খ্বাইদগী য়াংবা ধাতুসি ষ্টানলিনা শীজিন্নবা হৌরকখি। বেট্টরি অমা শীজিন্নবা মতমদা এনোদ হায়বদি নেগেটিভ ইলেক্ট্রোদতগী ইলেক্ট্রোনশিংনা চেল্লক্তুনা কেথোদ হায়বদি পোজিটিভ ইলেক্ট্রোদ য়ৌরকই। অদুনা এনোদ ওইগদবা পোৎসি মতম চূপ্পদা ইলেক্ট্রোন থুনা পীথোকপা ঙম্বা পোৎ ওইবা তাই। মসিমক লিথিয়মদা ফংবা ঙম্মী। ৱিটিংহাম্না পুথোরক্লিবা অসিবু শীজিন্নদুনা অনৌবা মখলগী পোটেন্সিএল ৱাংবা বেট্টরি শাবগী থবক ইক্সোন্না পায়খৎলকখি। অদুবু লাইবক থীবদি, বেট্টরিসিগী খুদোংচাদবা খরা থেংনরকখি । বেট্টরিসি হন্না হন্না চার্জ তৌবা মতমদা, লিথিয়ম ইলেক্ট্রোদতগী লিথিয়মগী অপাবা মকুপশিং শেল্লকখি। মসিনা অতোপ্পা ইলেক্ট্রোদতু য়ৌরকপা মতমদা বেট্টরিদুদা শোর্ট সর্কিট তৌরক্তুনা পোকখায়বা হৌরকখি। অসিগুম্বা খুদোংথীবসি থোক্তনবগীদমক লিথিয়ম ইলেক্ট্রোদতা এলুমিনিয়ম য়ানশিল্লি অদুগা ইলেক্ট্রোদশিংগী মরক্তা হাপ্লিবা ইলেক্ট্রোলাইটতুসু হোংদোক্লম্মী। ষ্টানলি ৱিটিংহাম্না থেংনরক্লিবা অসি কুমজা ১৯৭৬তা মীয়ামদা ফোঙদোরকখি অদুগা নুমিৎ মঙালদগী লৌবা ইলেক্ট্রিসিটিনা চল্লাইবা ঘড়ীশিং শাবগী থবক্তা শীজিন্নবা হৌখি। অদুম ওইনমক, কুমজা ১৯৮০গী হৌরকপদা থাউগী মমল অঙকপা ফংনা হন্থরকপদগী বেট্টরিনা চল্লাইবা কার শাবগী থবক্তা অপনবা অমা ওইরকখি। অদুনা ইক্সোন্না লিথিয়ম-আইওন বেট্টরি শাবগী থবক থাদোকখি।

ইক্সোনগী আশা মাঙখ্রবদা, জোন গুদেনাউনা অনৌবা আশা অমা থম্লকখি। মসাচুসেটস ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজি (এম আই টি) গী লিঙ্কোন লেবোরেটরিদা থবক তৌরগা, রেন্দম এসেস মেমোরি (আর এ এম) শাবদা অচৌবা থৌদাং লৌরকখি। কুমজা ১৯৭০গী মতমদুদা থাউগী মতাংদা থেংনরকখিবা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরকপদগী জোন গুদেনাউনা অতোপ্পা এনর্জিগী ফংফম থিবরোমদা মায় ওনশিল্লকখি। অদুবু লিঙ্কোন লেবোরেটরিদু য়ু এস এয়র ফোর্সনা শেন্থং পীথবনিনা, অদুগুম্বা মখলগী থিজিনবদুদা অয়াবা পীরমদে। লাইবক ফবদি, মতমদুদা মঙোন্দা ওক্সফোর্স য়ুনিভর্সিটিনা ইনওর্গানিক কেমিষ্ট্রিগী প্রোফেসর ওইরনবগী খঙহল্লকখি অদুগা মহাক্না লিথিয়ম আইওন বেট্টরিগী লম্দা থিজিন্নবগী খুদোংচাবা ফংখি।

জোন গুদেনাউনা ৱিটিংহামগী বেট্টরিদুগী মরমদা ফজনা নৈনরম্মী। অদুগা মেটল সলফাইদপু কেথোদ ওইনা শীজিন্নবগী মহুত্তা মেটল ওক্সাইদ শীজিন্নরগদি পোটেন্সিএল হেন্না ৱাংনা ফংগনি হায়বসু খঙলকখি। ৱিটিংহাম্না শাখিবা বেট্টরিনা ভোল্ট অনী পুথোকপা মতমদা, মহাক্কী বেট্টরিসিনা ভোল্ট পুথোকপা ঙমখি। কুমজা ১৯৮০দা গুদেনাউনা মহাক্কী অনৌবা বেট্টরিসিগী মতাংদা মীয়ামদা ফোঙদোরকখি।

তাঞ্জাসিদা থাউগী মমল হোংদোরকখিবনা, নোংচুপলোমগী লৈবাকশিংদা ইলেক্ট্রিক্কী গাড়ীশিং শাবগী মঙ থাদোক্নরকখি। অদুবু জপান্দদি মসিগী ওন্ন-তৈনবরোমদা লাকখি। জপানগী ইলেক্ট্রোনিক্সকী কম্পেনিশিংনা ভিদিও কেমেরা, তরা য়াওদবা টেলিফোন অমসুং কম্প্যুটরগীদমক লুমদবা বেট্টরিশিং শাবা পাম্লকখি। মসিগী মঙলানসি মঙফাওনহন্নবগীদমক অসাহি কাসৈ কোর্পোরেসনগী অকিরা য়োশিনোনা হোৎনরকখি। মহাক্না গুদেনাউগী লিথিয়ম-কোবাল্ট ওক্সাইদপু কেথোদ ওইনা শীজিন্নরগা কার্বন্দা য়ূম্ফম ওইবা পোৎশিংবু এনোদ ওইনা শীজিন্ননবগী পাম্বৈ থিরকখি। গ্রাফাইট (কার্বন) শীজিন্নবা বেট্টরিগী খুদোংচাদবা অমদি গ্রাফাইটতু বেট্টরিগী ইলেক্ট্রোলাইটনা থুগায়বা ঙম্বদুনি। অদুনা অকিরা য়োশিনোনা পেট্রোলিয়মদগী শুংবা কোক শীজিন্নরম্মী। মহাক্না পেট্রোলিয়ম কোকপু ইলেক্ট্রোনশিংনা চার্জ তৌশিল্লম্মী অদুগা লিথিয়ম আইওনশিং হাপচিল্লম্মী। বেট্টরিদু শীজিন্নবা মতমদা, ইলেক্ট্রোন অমসুং আইওনশিংনা কেথোদকী কোবাল্ট ওক্সাইদলোমদা চেল্লম্মী। মতমসিদা ফংবা ভোলটেজদু য়াম্না ৱাংলম্মী। মহাক্না পুথোক্লিবা বেট্টরিসি ষ্টেবল ওই, কেপাসিটি ৱাংই অদুগা ভোল্ট মরি পুথোকপা ঙম্মী।

লিথিয়ম আইওন বেট্টরিনা অতৈ অতোপ্পা বেট্টরিশিংদগী হেন্না খুদোংচাবা খরা লৈ। অতোপ্পা বেট্টরিশিংদদি কেমিকেল রিএক্সন থোকপা মরম্না ইলেক্ট্রোদশিংদু তপ্না-তপ্না তুমশিল্লকই। লিথিয়ম-আইওন বেট্টরি অমা চার্জ তৌবা অমসুং শীজিন্নবা মতমদা, আইওনশিংনা অকোয়বদা লৈরিবা কেমিকেলশিংগা রিএক্সন থোক্তনা ইলেক্ট্রোদশিংগী মরক্তা চেল্লি। অদুনা বেট্টরিগী মপুন্সি শাংই। অতোপ্পা খুদোংচাবা অমনা অশেংবা লিথিয়ম শীজিন্নদবসিনি। অশেংবা লিথিয়ম শীজিন্নবা মতমদদি পোকখায়বগী খুদোংচাদবা মায়োক্নে। অসুম্না অনৌবা মখলগী লিথিয়ম-আইওন বেট্টরিসি কুমজা ১৯৯১দগী জপানগী অচৌবা কম্পেনিশিংনা য়োনবা হৌরকপদগী ইলেক্ট্রোনিক্সকী লম্দা অনৌবা য়াওল অমা পুরকখি। মোবাইল ফোনশিংগী চাউবগী চাং হন্থরকখি, পুথোক-পুশিন য়াবা কম্প্যুটর (লেপ টোপ) শিং শারকখি। অদুগা এম পি থ্রি প্লেয়রশিং অমসুং টেব্লেটশিং শেমগৎলকখি। অসিগুম্বা অনৌবা য়াওল পুরকখিবা লিথিয়ম-আইওন বেট্টরিবু শেমগৎলকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবা জোন গুদেনাউ, ষ্টানলি ৱিটিংহাম অমসুং অকিরা য়োশিনোদা হন্দক চহীগী কেমিষ্ট্রিগী নোবেল প্রাইজ খূৎশিন্নরগনি হায়না লাউথোকখিবসিমক পেন্নীংঙাই ওই। ●




অকিরা য়োশিনোগী লিথিয়ম-আইওন বেট্টরি

পাউচে অসিদা ফোঙজরিবা ৱারেংশিং অসিগী ৱাখল, মীৎয়েং অইবা মশা মশাগীনি। পাউচে অসিগী ৱাখল্লোন অমসুং মীৎয়েংগা থোইদোক্না মরী লৈনদে।